HŪEIYEN LANPAO

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	88.350864
US Dollar	74.329493
British Pound	103.762886
Australian Dollar	54.797600
Chinese Yuan Renminbi	11.503100
Japanese Yen	0.677898
Malaysian Ringgit	17.612523
Singapore Dollar	54.927949
South Korean Won	0.064557
Saudi Arabian Riyal	19.821198
Thai Baht	2.261120

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	47987.00
Mumbai	–	Rs	48400.00
Delhi	–	Rs	48294.00
Kolkata	–	Rs	48655.00

GAS NEWS

IMPHAL LPG SERVICE
(Home Delivery only)
Booking:22-07-2021
Update Gas Card With Fresh personal photo . New Contact Office No. 6009392991, 9362654114, 03853560556.
Time 8:30 to 12:30 .
Those who haven't received send to whatsApp no. 9863624773 their form no1.also available 19kg and 5kg. Please don't use other numbers except the notified one. Those Deactivated one submit Aadhar and KYC form for activation.In view of covid19 and curfew booking can be made through IOCL
1. For whtsapp booking type <REFILL#>LPG ID NO. e.g. start from 70000000xxxxx xxx 16 digital. Send to 7588888824.
2.For onlidistributorsne payment use<Indane Oil One app>
It's applicable for all of IOCL.
Encouraged online payment.

M/S BASHIKHONG INDANE
BOOKING UPTO 24/06/21
VALID FROM18/06/21
HOME DELIVERY ONLY...
CONTACT NO. 9089709738, 8794622868
OFFICE TIMING 8.00AM TO 11AM WILL BE DELIVERY FOR 3DAYS.

KHORIPHABA NAMBOL
Bk upto 09-07-21 (sl.no.upto 49581)
Home delivery contact no: 8974087390, 9366471778, 8787632782
For booking:6909788407

M/S R & H INDANE SERVICE IRILBUNG
Only Home Dellivery
Booking Upto23/05/2021
Valid from 14/05/21
Stock 306 nos.
Office contact numbers 8132036940, 8414824977, 8413936705 Call timing 8 am to 12 noon Sunday closed

M/s K&K INDANE SERVICE,
home delivery only
Booking uptodate
Call Timing: 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 9366727636, 9863654574, 9774213728, 9089519886.
TIDDIM LINE -9774213728
*TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA/ 8258856407
*KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837.
Enquiry no. 9856134465.

GBD INDANE SERVICE
Booking upto :-16/07/2021
Valid from :- 21/06/2021
Stock :- 284
All Customers are Home Delivery (Delivery within 4 days)
Working hours 7:30 AM-11 AM and 2pm -4pm (Everyday Except Holiday)
Contact no. 7629947179 and 7629947187 for Refill Order and Enquiry

JRONGMEI SK INDANE WANGOI,
BKING UPTO 2/6/21
valid from 31/5/21.
Stk 306,
Timing-6am to 9am.
Home Delivery (Contact no. 8119073029/8974426830)

KHUMBONG INDANE
Booking upto 07-07-21
Valid from 05-07-21
Only home delivery within 4 days
Office no. 8794313865
Home delivery contact no. 7005013837, 9366008621, 9612023095
Whatsapp no.8794973019
Time 7.30am to 11.am

MANIPUR GAS SERVICE
Area wise home delivery and contact number, Call timing 8.00 am - 12.00 pm
1) Ahallup, Heingang, Kairang, Khabam, Achanbigei, Mongjam (9863385995)
2) Mantripukhri, Luwangsangbam, Koirengei, Nilakuthi, Khonghampat & Surrounding etc. (8787857518)
3) Lairikyengbam Leikai, Khurai, Pangei Road, Ukhrul Road, Kongpal, Top (7424085506)
4) Laipham Khunou, Nagaram, Dewlahland, Namdunlong, Khoyathong, Nagamapal & Uripok Road (8414886475)
5) Hatta, North AOC, Ragailong, New Checkon, Wangkhei, Kongba etc. (9366468676)
6) Poumai Colony, Sangakpham, Nongmeibung, Tellipati, Soibam Leikai, Wangkhei Khunou, Porompat, Kshetrigao A/C (7005282449)
7) Thangmeiband, Lamphel, Langol, Tarung (7005439154)
8) Chingmeirong, Thangal & Paona Bazar, Sagolband, Keishampat, Khagempalli, Kwakeithel, Singjamei A/C etc. (8131832195)
8) Complain and Enquiry Number 8730954041
Booking upto 05/07/2021
Valid from 15/06/2021

MM GAS SERVICE
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING 8:00 am to 12:00 Noon
BOOKING : Bk. Uptodate
FOR ALL IMPHAL-WEST & IMPHAL-EAST
8131942156(SMS/WHATSAPP)
7085198900(ENQUIRY)
FOR ALL THANGMEIBAND & LAMPHEL 7628098544, 9089370369, 9774443052
FOR ALL LANGOL AREA 7085977502
DELIVERY WITHIN 3 to 5 days

CANCHI INDANE SERVICE
BOOKING UPTO 28/06/21
VALID FRROM NIL
19kg & 5kg UJJAWALA AVAILABLE
HOME DELIVERY ONLY
DELIVERY WITHIN 4 DAY
KWAKEITHEL 7629940816 , 6909634960 & 8794191632
NAOREM LEIKAI 9863763938 & 7005352782 CONTACT TIMING 08.00 to 10.00am

সী আর পি এফকা খূৎশম্নদুনা উ চারা থাখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (ঐচএনএস): থাওরোইজম মমাঙ লৈকায়দা লৈবা পিছ হ্যুমেনিটি এন্দ সোসল দিভেলপমেন্ট ক্লবকী মেম্বরশিংনা গ্রুপ সেন্টর সী আর পি এফ, লাংজিংগী ওফিসলশিং অমসুং জৱানশিংগা খূৎশম্নদুনা ক্লবকী গ্রাউন্দ অমদি অকোয়বদা তোঙান তোঙানবা উ চারা ২০০ মুক থাখ্রে হায়রি।

ক্লব অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি সলাম সন্তোসনা থোরকপা চেরোল অমনা হায়বদা, ঙসিগী উ চারাশিং থাবগী থবক অদুদা মহাক মশামক য়াওনা ক্লব অসিগী এগজিক্যুটিভশিং অমদি ৱার্দ নম্বর ৮গী ৱার্দ মেম্বর হৈক্রুজম রাকেসসু শরুক য়াখি। লোয়ননা গ্রুপ সেন্টর, সী আর পি এফকী দেপ্যুটি কম্মান্দেন্ট রজিব কুমার, এসিষ্টেন্ট কম্মান্দেন্ট সনধ্যারানি চনু, কুলদিপ সিংহ দাহিয়া, সৈতেন্দ্রনচিংবা পর্সনেলশিংসু শরুক য়াখি হায়রি।

অমরোমদা, লমশাং এসেম্বলি কন্সটিটুএন্সিগী মনুং চনবা থাওরোইজমগী ক্লব অসিনা কোনবা থাওরোইজম মমাঙ লৈকায়দা কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভকী অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং ক্লব অসিনা লৌখৎলি। থৌরাং অসিগী মনুং চন্না ঙরাং ফাওবদা থাওরোইজম মমাঙ লৈকায়দা তোঙান তোঙানবা নুমিৎশিংদা কোভিদ টেষ্টিং অহুল্লক পাঙথোকখ্রে। মসিদা মীওই ২০ পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রবসু মখা তানা ওইরকহন্দনবা হোৎনবগা লোয়ননা ঙরাং ফাওবগী ওইনদি কোভিদ ফ্রী ওইরে হায়রি।

অমরোমদা ক্লবনা কোনবা থাওরোইজম মমাঙ লৈকায়গী ওইনা চাদা ৯০গী চাংদা ভেক্সিন কাপথোকখ্রে। হীদাকশিং অসি খুন্নোং অমসুং ফয়েংগী পি ঐচ সী অমদি মিনিষ্টর রাজেনগী মীৎয়েং মখাদা সলাম কম্যুনিতি হোলদা চথখিবা ভেক্সিনেসন দ্রাইভতা কাপথোকখিবনি।

মিনিষ্টর অসিগী মীৎয়েং মখাদা প্রধান টি ঐচ দ্বিজমনি (অৱাং খুনৌ জি পি) না থাওরোইজম মমাঙ লৈকায় অমদি টি ৱাই পি সী, থাওরোইজম মনিং লৈকায় অনীনা পূন্না শীনমিন্নদুনা ইমা যুমজাও লাইরেম্বী শঙলেন্দা পাঙথোকখিবা ভেক্সিনেসন প্রোগ্রামদসু পূন্না মীওই চাদা ৯০গী চাংদা হীদাক কাপথোকখি অমদি ৱাৎহৌরিবা মীওইশিংসু পোজিটিভ ওইরুবা অমদি মশাগী অনাবা লৈজবা অমদি লৌ-শিংগী মতম ওইবনা মীওই খরা ৱাৎহৌবদগী ১০০দা ১০০ য়ৌবা ঙমখিদবনি। গভর্ণমেন্টনা কর্ফিয়ু অসিদা মতেং পাংবা ওইনা ক্লবকী অকোয়বদা লাউদ স্পিকর শীজিন্নদুনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি অমদি সেকেন্দ ৱেভ অসিবু লাম্হেংমিন্নরিবা পূন্নমকপু ইকায়খুম্নবা অমদি থাগৎপসু ক্লবকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

অহোংবা শোয়দনা লাক্কদৌরি...

লামায় ১গী মখা... তৌখিদবনা করি করম্বা অনৌবা থৌরাং থৌশিলগী ওইগদবনো হায়বদুমক্তি খঙবা ঙমদ্রি। অদুবু পার্টিগী প্রসিদেন্টগা চীফ মিনিষ্টরগা মতম চঙনা ৱারী শানরবা মতুংদা গোবিন্দাস কোন্থৌজম দেল্লীগীদমক ইম্ফাল থাদোকখিবনি। হয়েং নুংথিলদনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন দেল্লীগীদমক ইম্ফাল থাদোকখিগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট ওইরকখিবা গোবিন্দাস কোন্থৌজম চৎলিবা থা অসিগী অহুমশুবা চয়োল হৌগৎলকপদা ফম অসিদগী তোকচরগে হায়দুনা মহাক্কী রেজিগনেসন লেট্টর এ আই সী সীদা পীশিনখ্রবনি। মদুগী মতুং তোঙান তোঙানবা বি জে পিগী লুচিংবশিং উনরুই হায়বা ৱাফমশিংগী মতুংদগী থা অসিগী ২৪দা কোংগ্রেস এম এল এ য়াংথোং হাওকিপকা লোয়ননা ইম্ফালদা হল্লকখিবনি। অদুবু মহাক্না ইম্ফালদা থুংলবগা ইকান কান্নদনা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ শর্দা পার্টিগী নেসনল লিদরশিংনা কৌরকপদগী নুমিৎতুমক্তদা দেল্লীগীদমক ইম্ফাল থাদোকখিবনি। অদুগা গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা থা অসিগী ২৪দা থোরক্তুনা ইম্ফালদা লৈরিঙৈ মনুং থা অসিগী ২৮দা ২৬-বিষ্ণুপুর এসেম্বলি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ ওইবদগী রিজাইন তৌবগী চেরোল মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলিগী স্পিকরদা পীশিল্লমখিবনি। মহাক্কী রেজিগনেসন লেট্টর অদু ফংবগা স্পিকরগী মায়কৈদগীসু পন্থদনা অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা নুমিৎ অদুদগী বিষ্ণুপুর এ সীগী সিট হাঙলে হায়দুনা লাউথোকপগী বুলেটিন অমসু থোকখ্রবনি।

পাউগী লিখুনশিংনা মখা তানা হায়বদা গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট, কোংগ্রেস পার্টিগী প্রাইমারি মেম্বরশিপ অমসুং এম এল এ ওইবদগী ফাওবা তোকখ্রিবা অসি মহাক্না উনখি হায়রিবা বি জে পিগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংগগী মরক্তা চপ চাবা অনৌবা পোলিটিকেল দিভেলপমেন্ট অমা লাকহন্নবগীদমক অন্দর্ষ্টেন্দিং অমা লৈনবদগী লৌরকখিবা অচৌবা খোঙথাংশিং ওইগনি হায়রি।

অদুমকপু ঙসি নুংথিল অথেংবা ফাওবদদি গোবিন্দাস কোন্থৌজম মশা খক্তা নত্তনা কোংগ্রেস এম এল এশিংগী মরক্তগী বি জে পিদা ওফিসল ওইনা য়াওশিনবা অমসুং মসিগা মরী লৈননা রিসেপ্টসন সেরেমোনিনচিংবা পাঙথোকপগী পাউ লৈখিদ্রি।

অমরোমদা, গোবিন্দাস কোন্থৌজমবু বি জে পিগী মায়কৈদগী তরাম্না ওকপগী থৌরম ষ্টেট অসিদা পাঙথোকপগী মহুত্তা দেল্লীদা পাটি অসিগী নেসনল লিদরশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকপদা কোংগ্রেস এম এল এ খরসু লোয়নরক্কনি হায়বগী অকনবা ৱাফমশিং ঙাঙনরকপা লৈরগসু ওপোজিসন কোংগ্রেস পার্টিগী এম এল এ অয়াম্বা হৌজিক ইম্ফালদা লৈরি। নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী দেল্লীদা লৈরকখিবা কোংগ্রেস এম এল এ টি ঐচ লোকেশ্বর অমসুং অলফ্রেদ কাঙম অর্থরসু ঙসি এয়র ইন্দিয়াগী ফ্লাইট নম্বর এ আই - ৮৮৯দা দেল্লীদগী থোরক্তুনা ইম্ফালদা থুংলখ্রে।

অদুম ওইনমক লাক্লিবা ইরাই নুমিৎ ফাওবগী মনুংদা দেল্লীদা পাঙথোক্কনি হায়রিবা রিসেপ্টসন সেরেমোনিদদি গোবিন্দাস কোন্থৌজম খক্তা নত্তনা কোংগ্রেস এম এল এ খরসু মহাক্কী মতুং ইনখিবা য়াই হায়বগী ৱাফম লৈরি।

নফসা অমসুং পি এম জি কে এ ৱাইগী চেঙ...

লামায় ১গী মখা... দি লোকল পোপ্যুলেসন ইন এসেসিং দিয়র রাইট টু ফুদ এস পর নফসা এক্ট, ২০১৩ অমসুং পি এম জি কে এ ৱাই স্কিমস : আইদেন্টিফায়িং দি বোট্টলনেক এন্দ ৱে ফোরৱার্দ' হায়বসিনি।

ঙসিগী ইন্টরেক্সন/এৱেয়ের্নেস প্রোগ্রাম অসিদা টোপিক অসিগী মরমদা এদভোকেট মৈহৌবম রাকেসনা রিছোর্স পর্সন ওইদুনা ৱা ঙাঙখি।

মহাক্না হায়, ফুদ সিক্যুরিটি হায়বসিগী ৱাহন্থোক অসি মতম পূম্নমক্তা মীয়ামদা মখোয়গী এক্টিভ অমসুং হেল্থৈদি লাইফকীদমক বেসিক ফুদ ফংহনবা হায়বনি। হায়রিবা বেসিক ফুদ অসিগী এসেস, য়ুটিলাইজেসন অমসুং ষ্টেবিলিটিসু ফংহনবা হায়বসিসু ফুদ সিক্যুরিটিগী ৱাহন্থোক্তা য়াওরিবনি।

ফুদ সিক্যুরিটিগী ইস্যু অসি মতম কয়াগী মমাঙদগী পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন সিষ্টম অমসুং টার্গেটেদ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন সিষ্টমগী খূথাংদা গভর্ণমেন্টনা যুমথোঙ খুদিংমক্তা ফংহন্দুনা লাক্লিবনি। হায়রিবা থবক অসি নেসনল ফুদ সিক্যুরিটি এক্ট (নফসা), ২০১৩ চৎনবা হৌবদগী চথরক্লিবনি। অদুবু মণিপুরদদি নফসাগী এক্ট অসি কুমজা ২০১৬তগী খক্তা চৎনবা হৌরকখিবনি। অদুগা নফসাগী মখাদা ফংফম থোক্লিবা মীয়াম্না হায়রিবা বেসিক ফুদ অসি ফংদবা য়াওরক্লবসু সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা এক্ট অসিগী মতাংদা লৈরিবা কাঙলোনশিংগী মতুংইন্না মীপূম খুদিংমক্তা হায়রিবা বেসিক ফুদশিং অসি মাগী মাগী মরী লৈনবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংনা ফংহনগদবনি।

থবক অসি পাঙথোরকপদা ফুদ সিক্যুরিটি এলাৱেন্স রুলস, ২০১৫গী খূথাংদা চথগনি। মসিগীদমক থৌদাং লৌগদৌরিবা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা মীয়ামদা য়েন্থোক্লবগী মথৌ তারিবা ফুদ গ্রেনশিং দিজিগনেটেদ দিপোর্ট/এফ সী আই গুদাউনশিংদা থম্বগা লোয়ননা হায়রিবা পোৎলমশিং অসিবু ট্রান্সপোর্টেসন চার্জশিং য়াওদনা ফায়র প্রাইজ শোপ দিল্লরশিংদা ফংহনগদবনি হায়খি।

এক্ট অসিগী মখাদা প্রাইওরিটি হাওসহোল্ডশিংদনা থা অমদা মীওই অমগী চেঙ কিলো ৫/৫ পীগদবনি অদুগা লায়রবগী পনখৈ মখাদা লৈবা ইমুংশিংদনা থা অমদা চেঙ কিলো ১৫ পীগদবনি হায়খি।

ইন্টরেক্সন সেসন অসি লোইরবা মতুংদা মসিদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংগী মনুংদগী ৱাহং কয়া হংনরকখি। মসিগী মনুংদা পি এল ভি অমনা হংলকখিবা ৱাহংদা মীয়ামদা ফুদ গ্রেনশিং য়েন্থোকপদা লোকল এম এল এনা খূৎ থিংজিল্লে অমসুং অহেনবা মমলদা চেঙশিং য়েন্থোরকপদা গভর্ণমেন্টনা খঙশিন্নদ্রে হায়বা ৱাফম য়াওরকখি।

অদুম ওইনমক হংনরকখিবা ৱাহং পূম্নমক্কী পাউখুম রিছোর্স পর্সননা পীখিবগা লোয়ননা হায়রিবা থৌদোকশিং অদু থোরক্লবদি মতুংদা থোকহন্দনবা অমসুং চুমথোক্লবগীদমক দিষ্ট্রিক্ট গ্রিভান্সেস রিদ্রেসেল ওফিসরদা ৱাকৎকদবনি হায়খি।

পুঞ্জ্বাই অমা চঙনা চথখিবা দিস্কসন অৱার অদুগী মতুংদা শরুক য়াখিবশিংবু দি এল এস এ তমেংলোংগী মায়কৈদগী থাগৎ ৱাহৈ ফোঙদোক্তুনা লোইশিনখি।

খোমিদোক্তা পুলিসকা মীয়ামগা চাউনা মুক্নখ্রে...

*লামায় ১গী মখা...*অতা থোকখি। লোয়ননা পুলিস পর্সনেল ৩সু শোকখি।

থৌওং অদুদগী অহেনবা পুলিস ফোর্স থোমজিন্দুনা লমহেন তুহেনবা মীওইশিং অদুবু লাকশিন্নবা হোৎনবদা পুলিসকী মায়কৈদগী লিচৈ অমসুং টিয়র গ্যাস সেলশিং শীজিন্নখিবগা লোয়ননা মখোয়নসু ওনশিন্দুনা নুঙগী লানদা য়াওশিনখি। লোয়ননা থৌদোক অদুদা চেন্নবনি হায়বা অদুগা কর্ফিয়ুগী অথিংববুসু ঙাক্তবনি হায়বা নুপী য়াওনা মীওই ৩০ ফাগৎলক্তুনা মখোয়গী মথক্তা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা হৈঙাং পি এসনা লৌখৎখিবা কেস অদুগী এফ আই আর নম্বরনা ৪৯ (৭) ২০২১নি। কেস অসি আই পি সীগী সেক্সন ৪২৭, ৩৫৩, ১৮৮, ১৪৭ অমসুং ৩৪ অমদি দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্ট, ২০০৫গী সেক্সন ৫১গী মখাদা লৌখৎপনি।

মফম অদুগী মীয়াম্না এস ও পি ঙাক্তনা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থুগাইদুনা লম্বী সরক্তা পূন্দুনা লৈরে হায়বগী রিপোর্টনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এগজিক্যুটিভ মেজিস্ট্রেট ঐচ ধনঞ্জয়না পি এস অসিদা তৌরকখিবনি। লোয়ননা রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না মফম অদুদা পুলিসশিং চঙশিল্লুবদা পূন্দুনা লৈরম্বা মীওইশিং অদুবু লাউদ স্পিকর শীজিন্নদুনা ৩/৪রক হন্না ময়ূম ময়ূমদা চঙখিনবা খঙহনখিবনি অদুম ওইনমক মীওইশিং অদুনা পুলিসকী ৱাফম অদুগী মায়োক্তা লৈখিবগা লোয়ননা নুঙনা থাবা হৌরকখিবনি হায়রি।

থৌদোক অদুদা মীওই ১০০ রোমনা শরুক য়াখি হায়রগসু পুলিসনা অফং-অফংবা মীওই ৩০ ফাগৎলকখি। ফাগৎলবশিংদি খোমিদোক হৈক্রু মখোঙদগী এম দি মনোৱর (৩৮) অপোকপা ইবোতোন, এম দি তামিজুর (২৮) অপোকপা সয়িদ অহম্মদ, এম দি সহিদুর রহমন (৩৬) অপোকপা সলিম হৌজিক্না খোমিদোক মখোঙদা লৈরবা সেনাপতিগী লাইরৌ চীংদগী আর থোমাস ভেলুং (৩২) অপোকপা রাম, খোমিদোক সরক মপান্দগী এম দি অজিজ খান (৩২) অপোকপা হসন, মৌলুবি অকবর (২৮) অপোকপা গাফুর, এম দি মনিরউদ্দিন (৫৮) অপোকপা লৈখিদ্রবা মৈনো, এম দি মুজিবুর (৪৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা লতিফ, খোমিদোক মসজিদ মনিংদগী এম দি অজমির (২৭) অপোকপা ইজিমউদ্দিন মহাক্কী মনাওনুপা অনিস (২৪), খোমিদোক ইপুম মপালদগী এম দি জিয়াউদ্দিন (৪৭) অপোকপা লৈখিদ্রবা অবদুল মজিদ, হৈক্রু মখোঙ মসজিদ মনিংদগী এম দি ইথেম (৩৭) অপোকপা লৈখিদ্রবা নুরজমান, হৈঙাংখোংদগী এম দি সনায়াই (৪৮) অপোকপা লৈখিদ্রবা অচৌ, খোমিদোক উমং লৈকায়দগী এম দি ইরসিদ (২১) অপোকপা ইথেম মহাক্কী মনাওনুপা নৌসল অলি (২০), এম দি ইথেম (৪৬) অপোকপা লৈখিদ্রবা অঙৌ, খোমিদোক ইপুম মপালদগী এম দি অমির খান (৩৬) অপোকপা ইতো, খোমিদোক উমং লৈকায়দগী এম দি ইজিমুদ্দিন (৫০) অপোকপা লৈখিদ্রবা অহম্মদ, খোমিদোক সোরোকমপালদগী এম দি হবিবুর (৪০) অপোকপা লৈখিদ্রবা লতিফ, হৈঙাংখোঙদগী এম দি মুসতাকিন (২৭) অপোকপা লৈখিদ্রবা নসির অলি, ইপুম মপালদগী এম দি মুজিবুর (৩৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা রফিজউদ্দিন, খোমিদোক উমং লৈকায়দগী এম দি রয়িজখান (২৪) অপোকপা ইথেম, কাইরং অৱাং লৈকায়দগী রুকসানা (২৫) মপুরোয়বা শামু, হৈক্রু মখোংদগী রেসমা (২৪) মপুরোয়বা ইথেমচা, কাইরং উমং লৈকায়দগী রুহিমা (২৫) মপুরোয়বা অচৌবা, হৈক্রু মখোংদগী রেক্সন (৩০) মপুরোয়বা ইবুংঙো, খাবৈশোই ময়ায় লৈকায়দগী সহিষ্টা (২০) মপুরোয়বা শরুকখান, হৈক্রু মখোংদগী মনিরা (৪৮) মপুরোয়বা অয়ুব খান, থোইবী (৪৯) মপুরোয়বা রহমন অমসুং সমিন (১৯) অপোকপা এম দি মনিরউদ্দিননি হায়রি।

মখোয় ৩০মক পুলিসনা মথং থাগী ৫ ফাওবা নুমিৎ ৭নিগী পুলিস কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা সী জে এম, ইম্ফাল ইষ্টকী কোর্টতা পুথোরকখি। অদুম ওইনমক কোর্টনা রুকসানা (২৫) অমসুং রেসমা (২৪) বুদি মশা লূপ্পা অমসুং মমা নারগা লৈ হায়বা ৱাফমশিংদগী বেল পীবিয়ু হায়জরকপদগী বেল পীখি। লেমহৌরিবা মীওই ২৮না পুলিসকী প্রেয়র মতুংইন্না মখোয়গী কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখি।

কোংগ্রেস মপাঙ্গল ...

*লামায় ১গী মখা...*অসিদা কোংগ্রেস পার্টিনা সিট ৪৫দগী তাদনা ফংননবগীদমক পার্টি অসিগী মপাঙ্গল কনখৎহনবগা মরী লৈনবা তোঙান-তোঙানবা পোইন্ট কয়া পার্টি অসিগী ওফিস বিয়াররশিংগী মমাঙদা থমখি। লোয়ননা লাক্লিবা মীখল অসিদা পার্টি অসিবু চাউনা মায় পাকহন্ননবগীদমক পার্টিগী লুচিংবশিং অমদি পার্টিগী ৱার্করশিংনা অঙম্বা থাক্তা কোওপরেসন পীবীয়ু হায়বা ৱাফমসু থমখি।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা এম এল এ, এন লোকেনবু এম পি সী সীগী ইন্টরিম প্রসিদেন্ট ওইনা হাপ্পকপদা হরাওবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ঈকায় খুম্নবসু উৎখি। লোয়ননা পার্টি মপাঙ্গল কনখৎহন্ননবগীদমক তোঙান-তোঙানবা ৱাফম কয়াসু ফোঙদোক্লখি। লোয়ননা এম পি সী সীগী পর্মিনেন্ট সেক্রেটরি ওইরম্বা সনসম কোইরেংনা লৈখিদবদসু মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি।

টেষ্ট তৌদনা লোৎশিন্দুনা পংলৈ...

লামায় ১গী মখা... পোজিটিভ ওইরবা মীওই অমনা হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈবা ঙম্লগনা লৈরে, ঙমদ্রগনা কম্যুনিতি হোম আইসোলেসন নৎত্রগা কোভিদ ক্যের সেন্টরদা লৈগদবনি। মসিগীদমক কম্যুনিতি হোম আইসোলেসন সেন্টর অমদি কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংগী মশীং হেনগৎহন্নবা কন্না হোৎনরি। অথিংবা মনুংদা হোম টেষ্টিং কিট শীজিন্নবগী ৱাফম লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অয়াবা পীখ্রে। থবক অসি রেজিষ্টর তৌরবা ফার্মাসিশিংনা টেষ্ট তৌবসু য়ারগনি। অদুমকপু ষ্টেট দ্রগ কন্ট্রোল্লরদা মসিগীদমক মরী লৈনব চে হান্না থাগদবনি। মসিগী মতুংদা ফার্মাসিশিংনা টেষ্ট তৌগদৌরিবা মীওইশিং অদুগী মোবাইল নম্বর, মমিং-মথা, লৈফম্নচিংবা লৌরগা মরী লৈনরিবা চীফ মেদিকেল ওফিসর অমদি দিষ্ট্রিক্ট সর্ভিলেন্স ওফিসরশিংদা মদুগী রিপোর্ট থাগদবনি। লোয়ননা হোম টেষ্টিং মোবাইল এপতা চঙলগা এভাইলেবল ইন দোঙ্গল প্লেয়র ষ্টোর এন্দ প্লেয়র এপসতা চঙলগা রেজিষ্টর তৌদুনা অপলোদ তৌগদবনি। মসিদা অপলোদ তৌরক্তবা য়ারোই হায়খি।

দিরেক্টরনা মখা তানা হায়, হৌজিক কোভিদনা মরম ওইদুনা শিহনবা মীগী মশীং অসি ময়ায় ওইরপকী চাংদা লৈরি। অদুমকপু মসিগী ফীভমসিদা কুইনা লৈবা য়ারোই, শোয়দনা হন্থরক্কনি। টেষ্ট তৌবগী থবক অসি অঙম্বা লেভেলদা পাঙথোক্লগা ট্রিটমেন্ট চথদুনা লায়েংগনি। যূম যূমদা লৈরিবশিংগীসু মাগী মাগী তৌফম থোকপশিং তৌদুনা লাক্লি। মণিপুর গভর্ণমেন্টনা অমদি হেল্থ দিপার্টমেন্টনা য়াম্না হকচিন্না লৌবগী মথক্তা চীফ মিনিষ্টরগী মখাদা হেল্থ দিপার্টমেন্টনা রিমস, জেনিমস অমদি অতোপ্পা হেল্থ ফেসিলিটিশিংদা মসিগীদমক অকনবা থবকশিং পায়খৎলি।

লায়না অসিবু মায়োক্নরক্লিবা ডাক্টরশিং য়াওনা নর্সশিং, ফার্মাসিশিং অমদি দ্রাইভরনচিংবা ফাওবা য়াওনা হেল্থকী লৈজরিবা ষ্টাফ পূম্নমক মতম কুইনা থবক অসিদা মায়পুনরকপদগী ৱারল্লবসু তৌদ্রবা যাদ্রবা ইশাগী ইথৌনি খন্দুনা মখা চথবীয়ু। অৱাবা পূম্নমক কাউথোকপীয়ু। থবকশিং অসি মীয়ামগীদমক্তনি খল্লগা পাঙথোকপীয়ু হায়নসু দিরেক্টরনা অপীল তৌখি।

মসিগীদমক হেল্থ ৱার্করশিংগী মনুংদা ৱাখল হন্থরক্তনবা রেগুল্লর/কন্ট্রেক্টকী ৱাফম থমদনা পীফম থোকপা থাগী খূৎশুমলশিং চপ চানা পীরি। এক্সত্রা ইন্সেন্টিভকী মথক্তা ডাক্টর অমনা ৱার্দতা চঙবদা লুপা ৫০০, মপান্দা লৈরগনা লুপা ১৫০, নর্সকীনা ৱার্দতা চঙবগীনা লুপা ৮০০ অদুগা মপান্দা লৈরগা মথৌ পাঙথোকপনা লুপা ১৫০নচিংবসু পীরি। অদুগা কনাগুম্না হেল্থ ৱারিয়রশিংগী মরক্তা কোভিদকী মথৌ পাঙথোক্লিঙৈ মনুংদা লৈখিদবা য়াওরগদি লুপা লাখ ৫০গী ইন্সুরেন্স গভর্ণমেন্টনা পীরি হায়খি।

হৌজিক ফাওবদা ডাক্টর অনী লৈখিদ্রে হায়বগা লোয়ননা হৌজিকসু ডাক্টর অনী লায়েংদুনা লৈরি হায়বা ৱাফমসু পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী পাউমীশিংগা উনবা অদুদা জেনিমসকী সুপরিন্টেন্দেন্ট ডা. কে ঐচ লোকেশ্বর, রিমসকী দেপ্যুটি মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট অমদি ষ্টেট মিসন দিরেক্টর ডা. শ্যামজাইসু শরুক য়াখি।

তিলহৌ কেজিদা লুপা ৯০পীরে...

লামায় ১গী মখা... হেনগৎলকপগী মনুং চন্না তিলহৌগী মমল মফম খরদা তিলহৌ মচা অমসুং অঙৌবা মখলদনা কেজিদা লুপা ৫০/৬০দা ফংলগসু অঙাংবা মখলগী তিলহৌশিংদি কেজিদা লুপা ৯০ পীরে।

কোভিদ পেন্দমিককী সেকেন্দ ৱেভকী চৈথেংসু মায়োক্নরিবা মীয়াম্বু কর্ফিয়ুগী অথিংবনা অমুক্তসু য়োমশিল্লগা হিংলক্লিবা পুন্সি মরেলসিদা লৈদুনা চানরিবা তঙাইফদবা পোৎলমশিংগী মতাংদা কোয়না চৎতুনা থিল্লিবদা ফংলকখিবা রিপোর্টশিংগী মনুংদা ইম্ফালগী অমদি ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা হায়রিবা পোৎলমশিংগী মমল কা হেন্না ৱাংখৎলম্লে। হৌজিক নোংমগী তঙাইফদনা চাকখুমদা চংদবা যাদ্রবা আলু কেজি অমদা লুপা ২৫দগীনা ৩৫; অচাথাউ লিটর অমদা লুপা ১৫০দগীনা ১৬০; চনম কেজি অমদা লুপা ১০০দগী ১২০; অদুমক চাবা য়ারবা ঙারি কেজি অমদা লুপা ৫০০ অমদি মৈতৈ চেঙনা কেজি অমদা লুপা ৩৫দগীনা ৫০ ফাওবদা য়োন্নরকপা মরম্না ইমুং-মনুং পুরিবা য়ুমগী নুপীশিংদদি অচৌবা পোৎলুম অমগা অমুক থাঙ্গৎপীবা হায়বদু ওইরে।

হৌখিবা নুমীৎ খরনিগী মনুং অসিদা তাঞ্জ্বৎতবা পোৎলমশিং অমত্তা লৈত্রে হায়বা য়াই। মী অহুম-মরি চাবা ইমুং অমদা থা অমদা য়ামদ্রবা লুপা লিশিং অহুম্না শিনবা য়ারম্বা অদু ঙসিদি লুপা লিশিং ৫০০০ ফাওবনা শিনবদা কোন্নরক্তরে। হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদদি লায়রবা শেম্থোক লম্বী ৱাংলবা ইমুংশিংদি লায়রদনা শেম্থোক লম্বী লৈবা ইমুং-মনুং ফাওবদা যূম পুবদা অৱাবগী মশক ওইরে। ইম্ফালগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা কা ৱায়দুনা লৈরিবা ইমুং কয়াদি এঞ্জাং-নাপী অমদি চান-থক্নবা পোৎলম পূম্নমক তাংঞ্জ্বৎলকপা অসিনা চারা হেনবগী ফীভমদা লাকপা ফাওবা য়াওনরে। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী কোভিদ পেন্দমিক অসিনা পীরিবা চৈথেং অসিদগী খরা খজিক কোক্নবা হায়দুনা থাগী পীরিবা চেংসু মশিং শুনা ফংদবনা খোইরাং-খোইশাউনরবা মীওই কয়ানা পাল্লিবা লৈঙাক অসিদা ৱারৌনবা য়াওদবসু নত্তে। মরম অদুনা নোংম-নোংমগী লেপ্পা লৈতনা চান-থক্নবা পোৎলমশিংগী মমল হেনগৎলক্লিবা অসিদা মরি লৈনবা দিপার্টমেন্টশিং অমদি লৈঙাক্না তঙাইফদনা মীৎয়েং চঙবা মথৌ তারি। নৎত্রবদি মণিপুরগী পুৱারীদা অমুক্তা থোকখিদ্রবা চান-থক্নবা লৈতবদগী মীশি-মীনা য়াওরকপা য়াবগী ফীভমদা লৈরে।

টোটেল কর্ফিয়ু থন্নকপদগী খ্বাইদগী...

লামায় ১গী মখা... ৮৭৪ থেংনখিবা অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা থেংনবা অপূনবা পোজিটিভ কেসশিংগী মশীং ৯৭,৬৯৮ (মীচম মীয়াম-৯৩,৭২১, সী এ পি এফ - ৩,৯৭৭) শুরে। অপূনবা ফগৎলকখ্রবা মীওইশিংগী মশীংনা ৮৫,৪২২ (মীচম মীয়াম -৮১,৫০২, সী এ পি এফ - ৩,৯২০) শুরে। অদুগা অপূনবা এক্টিভ কেসকী মশীংনা ১০,৭৩৫ (মীচম মীয়াম - ১০,৬৮৩ অমসুং সী এ পি এফ - ৫২) লৈরি। রিকোভরি রেটনা চাদা ৮৭.৪৩নি হায়রি।

মণিপুর গভর্ণমেন্টনা লায়না অসিবু লাকশিন্নবগীদমক লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুং চন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা তোঙান তোঙানবা হেল্থ ফেসিলিটিশিংদা ফংহনখিবা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিংগী অপূনবা মশীংনা দি টাইপকী ২২৪৬নি অদুগা বি টাইপকীনা ৩০৮নি হায়রি।

লোয়ননা ঙরাং ফাওবদা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখিবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ১২,৯০,১৩৪ (ফর্ষ্ট দোজ-১০,৮৮,৭৯৭ অমসুং সেকেন্দ দোজ -২,০১,৩৩৭) শুরে হায়রি।

মীয়াম্না কম্যুনিতি হোম আইসোলেসন সেন্টরশিংগী ইনফোর্মেসনগীদমক হেল্থ অমসুং সী ঐচ আই সীগী ইন-চার্জ ওইরিবা দেপ্যুটি দিরেক্টর ডা. এল সোমোরেন্দ্রোগী টেলিফোন নম্বর ৯৪০২৭২৩২৪৩দা কন্টেক্ট তৌরকপা য়াগনি হায়নসু কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অসিনা মীয়ামদা খঙহল্লক্লি।

সুপ্রিম কোর্টতা ফাইল তৌরক্লিবা এস এল পিশিং চপ চানা ...

লামায় ১গী মখা... থল্লে হায়দুনা ক্বাশ তৌননবা খঙহনখিবগা লোয়ননা সী বি আই, ন্যু দেল্লীদা এগজামিনেসন অসিগী অশোয়বশিং থিগৎনবা ওক্টোবর ১৯, ২০১৯দা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা ওর্দর পীখিবনি।

হায়রিবা ওর্দর অসিবু শীংনরদুনা এগজামিনেসন অসিদগী খনগৎতুনা থবক চঙলুরবা কেন্দিদেট খরনা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা স্পেসল লিভ পিটিসন ফাইল তৌখি। অদুবু এপেক্স কোর্ট অসিনা মরম চাদে হায়দুনা দিসমিস তৌখিবনি অমসুং এম পি এস সীদা ম্যেন এগজামিনেসন য়ারিবমখৈ অথুবা মতমদা পাঙথোক্লনবা খঙহলনলকখিবনি। হায়রিবা এপেক্স কোর্টকী দিরেক্সন অদু নবেম্বর ২২, ২০১৯দা পীরকখিবনি। মতুং তারকপদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুর অমসুং সুপ্রিম কোর্টকী ওর্দর অদুবু থবক্তা ওন্থোক্তুনা মণিপুর সিভিল সর্ভিসেস কম্বাইন্দ কম্পিটিটিভ (ম্যেন) এগজামিনেসন ২০১৬ অদুবু ক্বাশ তৌখিবনি। লোয়ননা এগজামিনেসন অসিদগী খনগৎতুনা থবক চঙলুরবা কেন্দিদেটশিংগী এপোইন্টমেন্ট ওর্দরশিং ককথৎখিবনি।

অদুবু ইনৌ নৌনা ষ্টেট ওফ মণিপুর অমসুং থবক্তগী লৌথোকখ্রবা কেন্দিদেট খরনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী ওক্টোবর ১৯, ২০২০দা ককথৎখিবা ওর্দর অমগী মাঙওইননা হায় কোর্টকী ওর্দর অদু রিভিয়ু তৌবীয়ু হায়দুনা তোঙান তোঙানবা রিভিয়ু পিটিসনশিং ফাইল তৌনরকখিবনি। হায় কোর্টকী মায়কৈদগীসু পিটিসনশিং অদুগী ৱাফমশিং খন্ননবা মরী লৈনবা রেসপোন্দেন্টশিংদা নোটিস ইস্যু তৌদুনা ইন্টরেষ্টেদ ওইবা পার্টিশিং চঙলক্নবা খঙহনখি। ফাইল তৌরকখিবা রিভিয়ু পিটিসনশিং অদুগী মরু ওইবা মরম্না ইনক্কারি কম্মিটিগী মেম্বরশিংগী মচাশিং মণিপুর সিভিল সর্ভিসেস কম্বাইন্দ কম্পিটিটিভ (প্রিলিমিনরি) এগজামিনেসন, ২০১৬তা শরুক য়াই। মরম অদুনা ইনক্কারি কম্মিটিগী মেম্বরশিংগী ইন্টরেষ্ট লৈবনা মখোয়না পীরকপা রিপোর্টশিং অদু চৎনফম থোক্তে, নেচরেল জষ্টিসতা অকায়বা থোকহল্লি অমসুং মণিপুর সিভিল সর্ভিসেস কম্বাইন্দ কম্পিটিটিভ (ম্যেন) এগজামিনেসন, ২০১৬ অদুবু ক্বাশ তৌখিবা অদু তৌফম থোক্তে হায়বসিনি।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা পার্টি খুদিংমক্কী ৱাকৎ অমসুং অর্গ্যুমেন্টশিং কূপ্না তারবা অমসুং নৈনরবা মতুংদা রিভিয়ু পিটিসনশিং অদুনা ৱাকৎলক্লিবা গ্রাউন্দশিং অদু মরম চাদে হায়দুনা দিসমিস তৌখ্রবনি। মসিগী ওর্দরনা দিসেম্বর ১৭, ২০২০দা পীখিবনি।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা রিভিয়ু পিটিসনশিং অদুবু দিসমিস তৌখিবগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদুদা পল্লিবা মরু ওইবা ৱাফমশিংনা মরী লৈনবা রিট অপীল অমসুং রিট পিটিসনশিংদা ম্যেন এগজামিনেসন ক্বাশ তৌদুনা, ম্যেন এগজামিনেসন অসি অমুক হন্না পাঙথোকউ হায়দুনা ৱাকৎলকপনি। অদুগা ইনক্কারি কম্মিটিগী মেম্বরশিংগী মচাশিংদি মণিপুর সিভিল সর্ভিসেস কম্বাইন্দ কম্পিটিটিভ (প্রিলিমিনরি) এগজামিনেসন্দা মায়থীহৌরবনা ম্যেন এগজামিনেসন থাবা য়ারোই অমসুং মসিনা মরম ওইরগা ইনক্কারি কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা চথখিবা ইনক্কারি অদুদা মখোয়গী ইন্টরেষ্ট লৈতে। লোয়ননা নেচরেল জষ্টিস কায়হনবগী ৱাফম লৈতে হায়খিবনি হায়রি।

ইনক্কারি কম্মিটিগী ফাইন্দিংশিংদা থেংনরকপা অশোয়বশিং রেসপোন্দেন্টশিংনা পুথোরক্তে। অদুগা ইনক্কারি কম্মিটিগী ফাইন্দিংশিং অসি সী বি আইনা চুম্মী হায়দুনা হায় কোর্টতা লানখৎলকপা ইন্টরিম রিপোর্টতসু ময়েক শেংনা পল্লকখিবা লৈখ্রে। ইনক্কারি কম্মিটিনা পুথোরক্লিবা অশোয়বশিং খক্তদা যূম্ফম ওইরগা এগজামিনেসন অসি ক্বাশ তৌবা নত্তে। এগজামিনেসন অসিবু শীনবা মতমদা এম পি এস সীগী মায়কৈদগী মশীং য়াম্লবা ইরিগ্যুলরিটি, ইলিগেল্লিটি অমসুং লাপসেস ময়াম অমগী অপূনবা ইফেক্টশিং নৈনরগা এগজামিনেসন অসি তশেংনা এগজামিনেসন হায়বদু ওইদ্রে হায়দুনা ক্বাশ তৌখিবনি হায়বা ৱাফমশিংসু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা রিভিয়ু পিটিসনশিং অদুবু দিসমিস তৌখিবগী ওর্দরদা ময়েক শেংনা পনখি হায়রি।

অদুবু, হায়রিবা ওর্দরশিং অসি শীংনরদুনা ষ্টেট ওফ মণিপুর অমসুং প্রাইভেট পিটিস্নর খরনা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা এস এল পিশিং ফাইল তৌরক্লিবনি। হায়রিবা মখোয়গী এস এল পিশিং অসি খন্ননবা জুলাই ১৯, ২০২১দা লৌখৎলগা অহানবা হিয়ারিং পাঙথোক্লগা মরী লৈনবা রেসপোন্দেন্টশিংদা নোটিস ইস্যু তৌখ্রে। নুমিৎসিদা রেসপোন্দেন্টশিংগী কাউন্সেলনা মহুৎ শিনবা খরগী নোটিসশিং লৌখ্রগা লেমহৌরিবশিংগীনা নোটিসশিং অদু ইংলিস অমসুং ভর্নিক্যুলর অমদা ফোঙননবা এপেক্স কোর্টনা দিরেক্সন পীখি। নোটিসশিং অসিগী পাউখুমনা ওগষ্ট ১৮, ২০২১ ফাওবগী মনুংদা পীরক্নবা খঙহনখি হায়রি।

গ্রুপ ওফ এসপিরেন্সকী চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ৱাফমশিং অসিগী অচুম-চুমদদি লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংলবা ৱায়েলশঙ ওইরিবা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা লেপ্পল্লগনি। অদুবু ৱাফম অসি অথুবা মতমদা লোইশিন্নবা পার্টি খুদিংমক্না মশা মশাগী কাউন্সেলশিং মতম চানা হিয়ারিং নুমিৎতা এপিয়র তৌহনবীনবা গ্রুপ ওফ এসপিরেন্সনা অপীল তৌরক্লি। মরমদি ইস্যু অসি অথুবা মতমদা চুম্না লোইশিন্দ্রগদি পূম্নমক্কী অফবা ওইরক্কনি হায়বসি গ্রুপ ওফ এসপিরেন্টসনা থাজবা ঙমদে।

অমরোমদা, হৌখিবা জুলাই ১৯, ২০২১গী হিয়ারিংদা এম পি এস সীগী মায়কৈদগী কাউন্সেল শরুক য়াহনখিদবসি লাইবক থীবনি। অরেম্বদা গ্রুপ ওফ এসপিরেন্টসকী করিয়র মাঙননবা দিলেয়িং টেক্টিষ্ট শান্নবীরক্তনবা মরী লৈনবা পার্টিশিংদসু অপীল তৌরক্লি। লোয়ননা ওইজবা কয়া থাদোক্তুনা অফবা মতিক চাবা মীওইশিংনা মণিপুরগী এদমিনিষ্ট্রেসন তৌনবগীদমক অফবা-অরূবা, অমোৎপা লৈত্রবা এম পি এস সী অমা ওইননবা হোৎনরিবা গ্রুপ ওফ এসপিরেন্টসবুসু মমাঙদা মতেং কয়া পাংবিখিবগুম্না মণিপুরগী মীয়াম্না মখা তানা থৌনা হাপ্পীয়ু, মতেং পাংবীয়ু। গ্রুপ ওফ এসপিরেন্টস অসি মীয়ামগীনি হায়রি।

মীয়াম্না চিংনদনা হীদাক ...

*লামায় ১গী মখা...*জুদিসল মেজিস্ট্রেট ফর্ষ্ট ক্লাস বিনেশ্বরি মাইবমনা শরুক য়াখিবশিংবু তরাম্না ওকখি। অদুগা কামজোংগী জুদিসল মেজিস্ট্রেট ফর্ষ্ট ক্লাস নেমখোলম লুংদিম য়াওনা পুলিস ওফিসরশিং, কোর্টকী ষ্টাফশিং, পেনেল লোয়রশিং অমদি উখ্রুলগী পেরা লিগেল ভোলুন্টিয়রশিংনা শরুক য়াখি।

প্রোগ্রাম অদুগী লোইশিল্লকপদা উখ্রুল দি এল এস এগী রিটেনর লোয়র নিংনিং ৱাই এলনা শরুক য়াখিবশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

HIV IS TRANSMITTED THROUGH
Unprotected sex with an HIV infected person.
Sharing of HIV infected needles & syringes.
From HIV infected mother to her baby.
Transfusion of HIV infected blood or blood products.
Issued in public interest by
Manipur State AIDS Control Society
MACS
NACO
HL-B/7016/2-31july